ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯃꯦ ꯱꯸, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯱ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯵꯴ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, মে ১৮, ২০১৭, ইম্ফাল

৪১ শুবা চহী, ০৫৪ শুবা মশীং

# এন্টি করপসন সেল

## *এটেন্দেন্ট অদুতং সসপেন্দ তৌবদু মীয়াম্না পেল্লম্লোই*

*নোংথোম্বম বিরেননা* লুচিংবা বি জে পিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক অমা লৈখ্রবা মতুং ইকুই কুইদনা ষ্টেট অসিদগী শেঞ্জা-থুমজা মুথুৎনবগী পান্দমদা এন্টি করপসন সেল হাংদোকখি। এন্টি করপসন সেল হাংদোক্তুনা মথৌ তৌরকপা নুমিৎ ২০ নিরোম শুখ্রে। তেল্লবা মতম খরসিদা শেঞ্জা-থুমজাগা মরী লৈনবা ৱাকৎ কয়ামরুম সেল অসিদা লাকখি অমসুং মতম চানা থবক লৌখৎতুনা মীয়াম্না সেল অসি থন্বগী কান্নবা উৎপা ঙমখি। সেল অসি লিংখৎখিবা মতুং ইকুই কুইদ্রিঙৈদা গ্রেদ ফোর/এটেন্দেন্ট, পুলিস মচা-মশুনচিংবা খরা শেল চায় হায়দুনা সসপেন্দ তৌবগী থৌদোক্তি য়াম্না তোয়রক্কনি। অদুগা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা চেকশিন্না ঙাক শেল্লগা এয়র কন্দিসনগী কা মনুংদা ফম্বা তৌবা ঙম্বা মীওইদুনা শেল চাবদি থিংবীনবা করম্বা লো লৈবগে হায়বসি মীয়ামগী ৱাকৎনি। ৱাকৎ অসিগী পাউখুম ঙসি ফাওবা মণিপুর লৈঙাক্লা পীদ্রি। তশেংনমক্কীদি চীফ মিনিষ্টরদগী হৌরগা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিংনা চত্থবা শেঞ্জা-থুমজা অমদি মীচং-মীখায় নাইবা থবকশিং থিংননবা ষ্টেটকী ওইবা লো অমা শেম্ননবা বিল পাস তৌখিবা লৈখ্রে। চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীগী মতমদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা পাস তৌখিবা বিল অদু হৌজিক ফাওবা চৎনদনা লৈরি। করি মরমগীদমক্তা এক্ট ওন্দুনা চৎনখিদবনো হায়বা মীয়ামদসু মরী লৈনবশিংনা খঙহনবা তৌদ্রি। লৈঙাক্কী অপীকপা ফম পায়বা এমপ্লোয়ীশিংবু সসপেন্দ তৌবগুম্না অচৌ-অচৌবা ফম পায়রিবশিংনা চত্থরিব শেঞ্জা-থুমজা অমদি লৈবাক ঙাকপশিংনা চত্থরিবা শেঞ্জা-থুমজাগী থবকশিং থিংননবগীদমক তঙাইফদনা লো শেম্বা তঙাইফদবা লৈ। হান্নগী পাস তৌখিবা বিল অদু মতমগা চূনদ্রে নৎত্রগা ময়াক ৱাৎলি হায়রগসু অনৌবা বিল অমা পুথোক্লনবা লৈঙাক্লা হোৎনবা তাবনি। মসি নৎত্রগনা হান্নগী বিল অদু চৎনহন্নবা থবক লৌখৎপা কান্নগনি। অনীসিগী মনুংদা অমা তৌননবা হোৎনবদা তহা-তহাবা য়াদবনা মতম খরা লৌদবদি য়ারোই। মসিনা মরম ওইরগা মীয়াম্না পাল্লিবা লৈঙাকপশিং চৈরাক পীননবগী লো শেম্বদা মতম থেংথবনি। শোয়দনা অনৌবা লো অমা শেম্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) তা এটেন্দেন্ট ওইবা মীওই অমনা মরম চাদনা অনাবা অমদগী লুপা ৪০০ লৌরুবগীদমক থবক্তগী সসপেন্দ তৌখিবগী পাউ লৈবাক পুংজাউ থিল্লে। অনাবা অমনা অলত্রা সাউন্দ লৌবদা এটেন্দেন্ট অদুনা অনাবা অদুদগী শেল লৌদনা টেষ্ট তৌগদবদা মহাক্লা লুপা ৪০০ লৌরম্বনি। শেল লৌরম্বা অদুগী মতাংদা ভিদিও এভিদেন্সকা লোয়ননা অনাবগী কাঙবুনা হ্বাটসএপ্‌কী খুত্থাংদা এন্টি করপসন সেলদা ৱাকৎলকখি। ৱাকৎ অদু য়েংশিন্নবা জেনিমস ওথোরিটিদা সেল অসিনা খঙহনখি। ভিদিও এভিদেন্সকা লোয়ননা তৌরকখিবা কমপ্লেন অসিগী মতাংদা জেনিমস ওথোরিটিনা থবক লৌখৎপগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারি চত্থনবা সসপেন্দ তৌখিবনি। অপীকপা ইস্যু ওইরবসু অনাবদগী সেল চাবগী ৱাথোক অসি মণিপুর লৈঙাক্লা তরায়না লৌফম থোক্তে। এটেন্দেন্ট অদুনা শুপ্নতগী লুপা ৪০০ খক মরম চাদনা লৌরুবগী চোপ্পা নংলবসু অনা-লায়েংগী শিনফমদা লৈরিবা দোক্তরশিংনা করি তৌরিবগে হায়বদুসু মীয়াম্না খঙই। মণিপুর লৈঙাক নৎত্রগা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা চলাইবা লায়েংশঙশিংদা মথৌ তৌরিবা দোক্তরশিংনা লন্নাইগী হোস্পিটালশিংদা নৎত্রগা ক্লিনিক্তা অনা-লায়েংদনবা নন-প্রেক্টিসিং এল্লাউৱেন্স হায়দুনা অচৌবা শেনফম অমা মখোয়গী তলবতা হাপ্লি। নন-প্রেক্টিসিং এল্লাউৱেন্স পীবা খক্তদা লৈঙাক্লা চহী অমদা লুপা ক্রোর কয়ামরুম চাদিং তৌরিবসি মখোয়না থবক তৌরিবা লৈঙাক্কী হোস্পিটাল অদুদা লায়েংলিবশিংদা পূক্নিং চঙননবনি। অতোপ্পা থবক অমদা মীৎয়েং চঙহন্দনা মশাগী মথৌ খোয়জংনা তৌননবনি। অদুবু এল্লাউৱেন্স অসিসু লৌরগা কনাগুম্বা মমিং লৈরবা দোক্তর খরদি লন্নাইগী হোস্পিটালশিংদা অনাবা লায়েংদুনা লৈরি। মখোয়না লন্নাই হোস্পিটালদা লায়েংলিবদু মীয়ামগী থৌগল তৌবগী মিংদা শেন্দাল লম্বী চত্থবনি হায়না লৌবসু য়াই। অমরোমদনা মণিপুর লৈঙাক্লা মখোয়বু য়াচল চন্দুনা মথৌ নিংথিনা তৌহনবা ঙমদবনি হায়বসু য়াই। হোস্পিটাল ওথোরিটিগীসু দোক্তরশিংনা অনা-লায়েংবদা মথৌ তাবা পোৎলম পীদবগী ৱাকৎ কয়াসু লৈতবা নত্তে। অদুবু লোনা য়াদবা প্রাইভেট প্রেক্টিস তৌরিবশিং অসিদি লেম্না থাফম থোক্তে। মতাং অসিনা পঞ্জনিংবদি লৈঙাক্লা অনা-লায়েংগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা মীৎয়েং চঙগে হায়বা তারবদি দোক্তর খরনা অনাবশিংবু মমিৎতা শেন্দাল লম্বীদৌনা উরিবসি থিংননবা থবক লৌখৎসি। লন্নাই মীওইশিংনসু অসিগুম্বা দোক্তরশিং অসিগী মথক্তা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা খুদম-চাংদম য়াওহল্লগা এন্টি করপসন সেলদা ৱাকৎলগদি লন্নাই হোস্পিটালশিংদা মীয়ামগী থাজবা হেনগৎলক্কনি হায়জনিংই।

### *••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••*

## মতম লাক্লমাল্লে

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*অচুম্বনা* জয় ওই হায়বসি কুইরে থাজনরুদবা । মরমদি অরানবা কয়াগী মকা লাম্বা মায়থোংনা লমদম অসিদা হাইনা হুম্না পানবা উরকপা কুইবদগী। ৱায়েন কাঙলোন শুরিবা উকিলশিং অমদি ৱায়েন মপূশিংদা মতম চানা অচুম্বা ৱায়েল ফংবা ঙমজদ্রবা পেঞ্জদ্রবা উপায় লৈজদ্রবা কয়ানা পাউচেশিংদা ইনরকপদগী হেন্দোক্তুনা ৱাকৎ মীফম ফাওবা ফমদুনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা পাউদম্বীরকপা তারু-উরুবদা ঙসিগী ৱায়েল কাঙলোন শেন্নবিরিবা উকিলশিংদা ৱাহং কয়া হংনীংবা মীওই কয়া লৈরমগদৌবা মাল্লি। ইন্দিয়াগী আইন কাঙলোন অসি শেমদোকপা তঙাইফদ্রে হায়নবসু য়াওরক্লি। মী হালুরবা মী অদুগী উকিল অদুনা মরাল কুপশিন্দুনা কন্ননবা ওইদবা চান্মা চান্মা ঙাঙদুনা ৱায়েলশঙদা থৌনা লৈনা কেস থেংনগনি। উকিলনা, ৱায়েল মপূনা লাল্লবসু লাল্লি হায়বা য়াদবা অদুগা হায়রুরগনা হায়রুবগী চৈরাক ফংগদ্রা হায়না ঐখোয়না খল্লম্মী । অদুবু হন্দক ৱায়েলশঙ মকোক (সুপ্রিম কোর্ট) না জজ খরা জেলদা থম্নবগী ৱায়েল পীখিবা অসি ইন্দিয়াগী পুৱারীদা সনাগী মচুনা ইদুনা লৈহৌবতা নত্তনা মীচম মীয়ামদা থৌনা অমা হাপ্পীবনি হায়না লৌবা য়াই। ঐখোয়গী লৈবাক মণিপুর অসিদসু অরানবা কয়া লৈখ্রবগে অমদি লৈরিবগে হায়বসি খঙদোক্তুনা চুমথোকমীন্নদুনা অচুম্বনা জয় ওই হায়বসি থাজহনবা তঙাইফদ্রবা মতমলাক্ল মালে হায়জনীংই।

*অদোমগী - চিংথাম অমর সিংহ*
*থাংমৈবন্দ পোলেম লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫০

১। ‘‘বিশ্ব তাইবঙপানবনা কপ্পা কপ্পা লোইখিনি/নূংদা ইবা ঐখোয়না নোক্লা নোক্লা লৈহৌনি।’’ কবি কনানা হায়বনো?

২। ‘‘কোয়চেন চেল্লি ফি থোংদ্রবা/নুপীশিংনা/কোয়তাল তাল্লি ফিমু শেৎপা/নুপাশিংনা।’’ পরেংশিংসি ‘মঙদসু তাইবঙদসু’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। কবি কনানা ইবনো?

৩। ‘‘পানখৎলকপা থাজ/থুনা শিদোক্তুনা/থাশি ওনখ্রি/মহাক খঙমাল্লে/মফমসিগী অতিয়া/অহিংবা লৈবা য়াদে।’’ পরেংশিংসিনা রঞ্জিতা কোন্থৌজমনা ইবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। প্রেমচন্দগী ‘সপ্তসরোজ’ বু মণিপুরীদা ‘থম্বাল তরেৎ’ হায়না হন্দোকখিবদু কনানো?

৫। নৈন-ৱারেং ‘শৈরেংদসু ৱারেংদসু’ হায়বদুগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# মণিপুরগী চীং-তম অনীগী মরী

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

*চীং-তম* অমত্তনি। চীংমী-তম্মী মচিন-মনাওনি। চীংনা কোয়না পনশাবা, চীংমীনা কোয়না পনঙাকপা অসিনচিংবা ৱাহায় ময়ামসি তম্মীশিংগী চীন্দগীতা থোকপা ঙাক্তা ওইনা তৌই হায়নরল্লিবসি কুইরক্লে। চীংদা তাবা চীংমীশিংগী মচিন্দগী ‘চীংমী-তম্মী’ অনীসি ইমা অমত্তগী মচানি, অমত্তা ওইবা হৌরকফমনি হায়বসি হায়রকখিদবা কুইরক্লে। ইপা ইপু ইপুধৌগী ৱারীদি মখা থাবা মচা মশুনা মথক থোংবদগী খঙবনি নৎত্রগা অঙাংশিংনা তন্নিবা হিষ্টরিগী লাইরিক্তগী খঙগদবনি। ঙসিগী মীরোলনা শোয়রিবসি ’সিদনি। চীংমী তম্মী অনীমক মমা-মপাদগী লাপখ্রে। মপূ মবেনশিংদগী চাকঙাই ৱারী তাখিদ্রে। ফুঙ্গা ৱারী মাঙখ্রে। ইতিহাসকী লামায়দা লমসিগী ৱারী ইখিদ্রে। মহয়? চীং-তম অনীগী থম্মোয় মরী তৎখিবা। নক্লরম্বা মশেনসু তপ্না লাপথোক্লরকপা। খোরিরোলগী পুক্কে মরাঙ কায়না শেমহৌবা, অরিবা নাৎকী থৌরমশিং (মরুওইনা লাই হরাউবা) চেৎনা ঙাক্লকপদুনা তম্মীশিংগী থম্মোয়দদি তৎখিবা মরীদুগী নুংনাং-ৱাখল অমদি নৌনা অমুক শমজিন্নীংবগী অপাম্বা তত্তনা ফাওই। অদুগা, অমরোমদা মমাঙঙৈগী মতমগী ইতাউ-ইতাউ মিংগৌনা, নচা-ইচা পীনসি ৱাশক পন্দোল লোম্নঙৈ চারৌ-মৌরৌনরম্বা, তরা-চিন্দম্মীন্নবা (পূন্না চাক চামিন্নবা) কাউখ্র’ৱারী ময়ামদু চীংমী-নহাশিংদুদা লীবিবগী মহুত্তা, ইতিহাসকী তাংকক অমগী অমাং অশেং খায়রকপা, হিন্দু লাইনীংনা অথোয়বনি অতোপ্পনা অতোনবনি খন্নরম্বা মতমদুগী ৱারীতমক লীদুনা ৱারৌহল্লবা থম্মোয়দুদা য়েলহৌঙৈগী ৱারী লীরুবা-তাংকী ৱারী ওইনা তাবা তাবনি। অচুম্বদু খঙহনবা মতম চঙবা থবক্লি। ঙসি ওইরিবা চীংমীশিংগী মাইন্দ-সেট, দিকেদ (চহী তরাগী মতম) কয়া চঙনা শাগৎখিবনি। মদু হোংদোকহনবসু মতম চঙবা তাবনি। ১৯৮৭, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট’কী থানলোন খুন্দা থবক শিন্থা পাঙলিঙৈ থানলোন হায়-স্কুলদা ওজা ওইবা, মতমদুগী সেকেন্দ মাষ্টর (মমিংদুদি পনজররোই) দুগা নোংমা চাক চামিন্নবদা হায়রকখি... ‘অহানবদদি খল্লম্মী, জিসস খৃষ্ট অসে মীঙোন্দগী ৱায়রুবা, ঐখোয়গী নত্তবা লাই ওইনা... অদুবু মুন্না থিজিল্লুরগা বাইবল কৃপ্পা পারগা কোন্না খঙলকই - মাদি ঐখোয়গী অশেংবা লাই ওইরল্লে...’। ঐ মরৈ য়েৎখিদে। ধর্ম্ম হায়বসি থাজবদা যূম্ফম ওইবনি। ধর্ম্ম শন্দোকপা হায়বসি থম্মোয়বু খুদুম চনবনি। ইপা-ইপুই খুবম্থু লাইমক্কী খুবম ওইহন্দুনা, লাই পূম্নমক্কী অথোয়বা নিংথৌগুম্বনি খন্দুনা ‘লাই-নিংথৌ’ মিংথোন্দুনা চহী লিশীং কয়া ঈরাৎলম্বা, নিংথৌগী মতেং লৌদুনা হিন্দু লাইনীং লৌখিবা, থাজবদু হোংহনবা মীরোল অমদা ঙমখিদে। অসুম্না, মতমগী তাংকক অমগী মথংদা অমদা মথং মথং য়ৌরকখি - ইস্লাম অমদি খৃষ্টিয়ানিতি। মান্নদবা থাজবা ময়ামসিনা মান্নবা মশেন পূনশিন্নবা, মান্নদবা মশেল লাপথোক্লরকপগী তাঞ্জা অমা পীরকখি। অসুম্না নাকপাক নাকপাক খুন্দানবা হৌখ্রবা তুং, ১৯ শুবা চহীচাগী লোইরমদাই থুংলখি অনৌবা বৃটিশ লৈঙাক। পূন্না লৈমিন্নরম্বা কাঙলুপশিং তোখায় তোখায় মচেৎ তানহল্লগা লৈঙাকপদা মমিং চৎখিবা বৃটিশ লৈঙাক লাক্লতুং, মোদর্নিটিগী মিংদা অনৌবা মীরোল অমগী, অনৌবা খুন্নাই অমগী যূম্ফম থোনবা হৌরকখি। পীক্লবা মণিপুর অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলুপ অনী চীংমী (হাইলেন্দরস) অমদি তম্মী (প্লেইন পিপল) অনীসিগী মরক্তা চিংখি শাংলবা লৈই অমা। মতমদুদই ইবা হৌখিবা চীংগী অনৌবা পোলিটিকল হিষ্টরি। বৃটিশশিংনা লাক্লিঙৈ, খৃষ্টিয়ানিতি চঙলক্লিঙৈ মমাঙগী পোলিটিকেল হিষ্টরি মাঙখি মফম খঙদনা।

অসুম্না, বৃটিশ ইন্দিয়া মতুংগী নীংতম্বা ইন্দিয়া’দা মণিপুরগী লাইবকসু লেপ্পা তারকপদগী মণিপুরগী পোলিটিকল হিষ্টরি মকোক মমৈ শম্নদবা পন্দুপ অমা ওইরকখি। বৃটিশ ওফিসরশিংনা চিট্টাগোং অমদি আসামগী চীং-লমশিংদা চঙশিন্দুনা লল্লোন ইতিক তৌবা অমদি খুন্দা লৈতাবদা খুদোংচানবা অমদি মফমশিংদুগী মীশিংগী ইন্টরেষ্ট ঙাক্লবা শেমখিবা রুলশিং অদুমক, ইন্দিয়াগী লৈঙাক কাঙলোন শেম্বদা লৌখত্তুনা হাপচিনখি, লৈবাক্কী লো ওইরকখি। ইন্দিয়াদা পুন্দ্রিঙৈ করি রুল চৎনরম্মী, ইন্দিয়াগী রুলদা করম্না এদজষ্ট তৌগনি নোংমতসু খন্নখিদে। অম্বেদকরনা লুচিংবা কনষ্টিট্যুসন দ্রাফটিং কম্মিটি, নোংমতসু নীংশিংলম্লোই - মঙোন্দা থৌদাংদু শিন্নরক্ত্রিঙৈ ‘নীংতম্বা মণিপুর’ গী মশাগী কনষ্টিট্যুসন লৈজরে। নেসনল এস্তেম’দা শৈথারিবা লমদমশিংদুনা কোনশিনবদা থুংদবা মফমনি অৱাং নোংপোক ইন্দিয়া অমদি মণিপুর। মতৌ অদুগুমদুনা লৈঙাক পথাপ (কনষ্টিট্যুসন) সিনা কোনবা থুংদবা মফম ওইরম্বা তাই মণিপুর, মরমদুনা ওইগনি পথাপ অসি পানশিনবদা ঈরাং অসুক য়াম্না থোক্লিবা।

ঈরাং অমদি চরাংনবা মরক্তা হৌরক-চাউরকপা ওইবনা মতম চুম্প্নদা লাংতক্লরকখি কৈদৌঙৈ লাক্কনি পূম্নমকসিগী হৌরকফম খঙবা, মশাগী ওইজবা থিদবা লুচিংবা (লৈঙাকপা) অমা! তিংখঙ যুরবদি তিংখং অমনা হনবগুম, পোলিটিকল প্রোব্লেমদি পোলিটিকল মিন্স (পান্থৈ) না ৱাখৈনবা পুরক্কদবনি। কুনমাথোইশুবা চহীচা হৌগৎলকপদা থেংনরল্লিবা মণিপুরগী খ্বাইদগী লুবা পোলিটিকল ক্রাইসিস’তি ‘মণিপুরগী পোলিটিকল অমদি জিওগ্রাফিকল বাউন্দরি অসি কায়বা য়াবগী অকিবা’ অমদি ‘মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মীওইশিংগী মরক্তা লৈরম্বা ইমোসনেল ইন্টিগ্রেসন অদু মাঙখিবদগী অমনা অমবু থাজনরক্তবা’ অসিনি। ‘অওনবা কয়া লাক্লবসু মীওইবনা কাউরোইদবদি হৌরকফমনি’ হায়নবদু ঐখোয়না কাউফম থোক্তে। মদু কাউখিবদগী থোকখিবনি মীওইবগী মাঙনা তাক্লবগী মশক ওইরবা লান কয়া। মসিমদি ঐখোয় খুদিংমক্লা য়ানিংগনি - হান্নদগী ফৎলক্ত্রবা চীংমী-তম্মীগী মরী, হৌখিবা চহী তরামঙা-কুনসিদা হেন্না ফৎচিল্লকখিদে। মরুওইনা, নাগা বোদি কয়ানা ‘মখোয়গা মণিপুর লৈঙাক্লা মরী লৈনদ্রে, অতোপ্পা থৌরাং অমা তৌবিয়ু’ হায়বা দিমান্দ তৌরকপদুনা, ঙাঙন-শানবা য়াদবা, মীতৈশিংগী য়েক্লবা অমা ওইরবগুম খন্নখি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা লুচিংবশিং চৎপদা হেলিকোপ্তরদগী কুম্বা ফাওবা কুমথহনখিদবা, বোম তোপ পোকখায়খিবা থৌদোক্তুগী মতুংদদি ৱারী শানবগী ৱাংমা লানখ্রবা থাক অমদা লৈরবনি খলহনখি। অমরোমদা, চুড়াচান্দপুর’লোমদসু আই এল পি বিল অহুম এসেমব্লিনা পাস তৌখিবা হাক্তক্তা, বিল অদু ত্রাইবেলশিংগী মায়োক্তা শেম্বনি, মদু হন্দোক্কদবনি হায়দুনা চঙশিনখিবা ঈহৌদা মীওই মাপন শিখিবা - ঈহৌ অদু হিংহন্দুনা থম্নবা মীওই নিপানগী অশিবা হকচাং মথৌ মঙম পাঙথোক্তনা নুমিৎ ৬০০ চূপ্না থল্লকখি।

চীংমী তম্মী অনীসি অমুক হন্না হান্নগুম অমত্তা ওইনা লৈমিন্নবা ফংলরোই খন্নরম্বা ৱাখলদু অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ‘নোংথোম্বম বিরেন’ থুংলবদা অনৌবা আশাগী ময়োল অমা চোংলকপগুম উরকই। হান্নগী চীফ মিনিষ্টরনা চহী তরামঙা পানবদা অমুক ফাওবা চৎখিদবা, থা অনীগী মনুংদা অনীরক উখুল চৎতুনা অনৌবা ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকপা ‘শিরুই লিলি ফেষ্টিবেল’ হৌদোক্লুই। মণিপুর লৈঙাক্লা পাঙথোকপনি, ঐখোয় শরুক য়ারোই নৎত্রগা উখুলদা পাঙথোকপা য়ারোই হায়রক্তে। মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না, হায়নবা নাইদা থোক্লক্তুনা থৌরম মপূং ফাহনখি। নুমিৎ ৬০০ গী মতুংদা অশিবা হকচাং লৈরোন চন্দুনা মীতোপ মশক খঙদোকপা অমদি হলহনখিবগী মনীং হল্লুরবা ঈহৌদুসু অনৌবা মায়ওন অমদা চঙশিন্নবা আশাগী মৈরী চুরম্মী।

তৎনগে তৌরুরবা চীং-তমগী মরীসি অমুক নৌনা শম্নবা হোৎনরকপসিদা লমদমসিদা পোকচবা, লমদমসিদা চাউরকপা, লমদমসিদা শিদৌবা য়েলহৌমী অমা ওইরুবনা থম্মোয়গী ৱাফম অম’নীদং মীয়ামদা সেয়র তৌজনীংই। আউট ওফ সাইট আউট ওফ মাইন্দ - উবু উখিদ্রবদি কাউথোকখিবা শোয়দ্রবনি - হায়নরকপা ৱাফমসি চুমদে হায়বা কনানসু হায়রক্তে। ঐখোয়না চীংদা চৎনীংদ্রিবা, মখোয়না সিদা লাক্লিংদ্রিবা - লম্বী থোংগী ফীভম্ননি। নোংমা চৎলুই, অমুক হন্না চৎনীংদে। চহী কুনমঙা মমাঙগী চুড়াচান্দপুর- থানলোন লম্বীদো ঙসিদি চৎহৈদ্রে হায়, বস অমত্তসু চেনখিদ্রে। থানলোনগী মীগা ইম্ফালগী মীগা কৈদৌঙৈ মরুপ ওইগনি? তমেংলোংগী ওরেঞ্জ ফেষ্টিবেল - পূম্নমক য়াওনীংই। খোংশাং লম্বী নীংশিংলুবদা কনানসু চৎনীংদে। নোরোক্কী লম্বীদুদা মঙলৈবাক্কী লমদগী ইম্ফাল য়েংবা লাক্লগা, কদায়দা অহিং য়ারেক্কনি? চীংলোন লান্না লাকপা খুঞ্জাশিংগী অহিং ঈংনা য়ারেকফম, দিষ্ট্রিক্টশিংগী গেষ্ট হাওস, অতাবা মমলদা শীনবিয়ু নৎত্রগা শাবিয়ু। য়েংসি- কৈদৌঙৈ সিট হাঙবগে? পীবা ঙম্লোইদবতনি।

অমেরিকানা ঙসি মালেমদা মাঙজিল থারিবা লম্বী থোং ফবননি। চৎলুবা খুদিংনা হায়। ন্যু য়োর্ককী লম্বীগা, মী খরখক্তং তাবা চীংদোনগী খুন তাবা লম্বীদুগা চপ মান্ননা শেম্মী হায়। ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর বিরেন! থা অমগী কেবিনেট মীটিং অমদি সুকশোয় শোয়দনা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরশিংদা বাই রোদ’তা চৎলগা হোং হোংদুনা তৌবীয়ু। য়েংসি, চীংগী ইচিন-ইনাও, ইচেল-ইচল শাউরকপরা?

# হাওসিং ফোর ওলনা পুরি ঐবু ঙসিনা কুম্বী তানা

**সোরোক নোরেন**

*হৌখিবা* কুমজা ২০১৬ কী ওক্টোবর থাখায়গী অদুৱাইদগী তপ্না থাংলকখিবা খোঙথাং ওইরবসু ঙসিদি শুপ্নগী য়ু এল বি তরেৎখক্তা ঙাইহৌরে। মে ৪, ২০১৭ নুমিৎ অসিগী খোঙচৎনা কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওইরগা মণিপুরগী য়ু এল বি ২৭ কী মনুংদা ৱাৎহৌরিবা য়ু এল বি অসি অন্দ্রো নগর পঞ্চায়েট, সেকমাই নগর পঞ্চায়েট, লমলাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, ৱাঙ্গৈই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, লিলোং, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমসুং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসননি।

ইম্ফালদগী কিলোমিটর ৪৫ মুক মখা পাংনা টিদ্দিম লম্বীদা চৎলগা লৈরিবা মোইরাং লমখাই হায়রিবা মফম অসিদগী নোংপোক পাংনা চৎকদৌরিবনি। কুম্বী হায়রিবা অনানবা টাউন অমা ওইরিবা কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, মোইরাং লমখাইদগী চাউরাকপা কিলোমিটর ৯ মুক অমগা অমুক তিনশিল্লগা য়ৌরি। পূন্না কুম্বী ফাওবগী অরাপ্পা অসি ইম্ফালদগী কিলোমিটর ৫৪ মুকনি হায়রি। ময়ায় ওইরপ লাপচরবসু কুম্বী বজার য়ৌবদদি অনৌবা ৱাখল, অনৌবা আশা অমদি ফংবগুম শোয়দনা লৌগনি। মসিগী মহাও অসিমক্লা শারবা কালেনগী নুংশা মেঙলবা সরতকী থাবলগুম খনবা ঙমখিবনি। কুম্বী বজার য়ৌদ্রিঙৈদা খুগা তুরেলগী তোর্বান্দা লাইনিংথৌ সনথোঙ খোংবু মঙাগী খুভমনা লমদমদুগী মীয়ামখক্তা নত্তনা কুম্বী য়ৌরল্লিবা মীয়াম পূম্নমকপু হরাউ তরাম্না ওকপীবগী লমননি ঙসি কুম্বীগী হাওসিং ফোর ওল ফিল্ড ভেরিফিকেসন য়াওরিবা । কুম্বী টাউন পীকচরবসু মগুন লৈবা চম্প্রাগুম মতিং লৈরিবা য়ু এল বি মরক্তা অমনি হায়বসিমদি য়েৎননিঙাই ওইদ্রে। অদুগা চম্প্রা হায়রগা চিথরম্বা য়ারোইদবা অমদি তাঙ্কক অসি কান্দুনা হেক চৎলুবদা ঐবু ৱারৌগদৌরিবনা চম্প্রাসিমদি হুন্দোক্লম্বা য়াররোই। মরমদি কুম্বীগী ইমুং অমা চম্প্রা অমা লাই হাক্তক্তগী থানবা য়াদনা চৎনবী ওইদুনা লৈরক্লবা পুৱারীগী ঈচেলনি। কুম্বী যূম অমদা চম্প্রা পাম্বী হৌদবা লৈতে। অঙকপা মহৌশাগী খূৎশেম মরক্তা চম্প্রাগী কাংখুল শিদনবা হোৎনরিবা কুম্বী মীয়াম্থু ইকোক নোনজরি। লোয়ননা লাইনিংথৌ সনথোঙ খোংবু মঙামক্কী মফমদা পাংদ্রবা নচানা শোয়খিবা লানখিবা পূম্নমকপু ঙাকপীয়ু হায়না খুবাম চাংজৌ তরা লোন্নদুনা অমুক্কসু খুরুমজরি। কুম্বী টাউন কুমজা ২০১১ গী সেন্সস রিপোর্টকী মতুংইন্না কুম্বীগী মীশিংসি ৯৫৪৬ নি। অদুগা টাউন অসিগী ওইবা ৱার্দ মশীংনা ৯ লৈ। হায়রিবা ৱার্দ মাপননা কোল্লিবা টাউন অসিগী হাওসিং ফোর ওলগীদমক ফিল্ড ভেরিফিকেসন চৎনবা খনগৎলবা বেনিফিসরি মশীংনা ২৪৯ নি।

বেনিফিসরি ২৪৯ খক্তা ওইরবসু ফিল্ড চৎনবা হোৎনরিবা ওফিসিয়েল মশীংদি ৪১ শুরি। মরমদি অনৌবা ওফিসিয়েল কয়ামরুম অমসু হাওসিং ফোর ওলগী লৌশিং ফংহনবগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরল্লিবা ওইবনা এসোসিয়েট টাউন প্লান্নর নরমদাগী থৌশিল মাংদা চঙশিল্লক্লিবনি। মরম অদুনা ঐগীসু অনৌবা খোংবু অহুম অমগা অমুক হাপচিন্দুনা অচৌবা বিষ্ণুপুর, মীওই মঙাগী হাওসিং ফোর ওল টিম অমদি লৈরে। তঙাইফদ্রবদি মসিদগী হেন্না চাওথোক্লবসু হোৎনরি। অদুবু অপীকপা ইমুং নুঙাইবা ইমুং হায়নরিবনিনা ঐগীদি অচৌবা ইমুংগী কাঙলুপ্তা চনবা হৌখ্রবনা ফাষ্ট ফোরৱার্দ তুমদি কুম্বীদা ওইবা ঙমখিদ্রে। ঐগী মীওই মঙানা শাবা টিমদুনা কুম্বী টাউন য়ৌবদু অয়ূক্কী পুং ৮.১৫ মুক তারে। অদুবু মিসন অসি মায় পাক্লবা হোৎনবিরিবী নরমদা যূম্নাম য়ৌরকপদি ঐগী মতুংদনি। অসুম্না মথং মথং ঙাইনা ঙাইনা য়ৌরকপনা ফিল্ডগীদমক খোঙশানখিবা মতমদো অয়ূক্কী পুং ৯.১০ অদুৱাইনি। মাগী মাগী বেনিফিসরিগী শরুক পুদুনা চৎনবা হৌখ্রবদা ঐনা টাউন অসিগী অরোইবা ৱার্দ ওইরিবা ৱার্দ নম্বর ৯ অসিগী বেনিফিসরি ১৬ ঐগী খূৎতা ফংলে। হন্দক্তি ঐসু ঐগী খূৎ লিংনা লাকপা টিমনিনা কনাবুসু কিদ্রে। ঐনা হেক কিজরিবা হায়ববু লমদমসিবু কোনবিরিবা ইবুধৌ সনথোঙ খোংবু মঙা অসিদনি। মরমদি ঐদি তাইবঙ মীওইবসি অশোয়বা কয়ানা তুং ইন্দুনা চৎলিবনা খোঙচৎ অসিদা করি অশোয়বা য়াওখিদগে তম্বা ঙমদনা। অদুবু ইবুধৌশিংনা চানবীদুনা নুমিৎতুগী অয়াকপা নুংশা পূম্বা লৈচিলনা খনজিনবিখি। মসিমক্তনসু কালেনগী নুংশা নৎত্রে খল্লগা চৎখিবা ফিল্ড ভেরিফিকেসননি। অদুবু নৌনা পুরিবা খোংবুশিংদা হীরম খরদি মচা খায়হন্দবা য়াদবনা হান্নগী লৌরিবা চাং অদুদগীদি হেনখ্রে। থারল্লিবা ফোর্ম অদুদা য়াওরিবা মীং অধারগা চান্নরব্রা, বেঙ্ক একাউন্ট য়াওরব্রা, মশাগী ইনকম সার্টিফিকেট য়াওরব্রা, পাট্টা অদু কনাগী মীংদা লৈবা, থারল্লিবা বেনিফিসরি অদুগী মমিং অদুগা হাপ্লীবা দোক্যুমেন্ট খুদিংমক্তা য়াওরিবা মমিং অদুগা পূম্নমক চান্নরব্রা হায়বসি অহানবদা কুপ্না য়েংবা চঙলি। লুরিবদি এপ্লিকান্ট অদুনা নুপী ওইরগা হাপ্লল্লিবা পাট্টা অদুনা মাগী মপুরোইবগী ময়াম্বা হায়বদি নুপী অদুগী মতৈগী মীংদা লৈরম্বা, হংলুরগনা মকুবোক শিখ্রবা মতুংদা মতৈদা অহানবা ওইনা ওনশিল্লগা মথংদা মনাওশিংদা মীং চংগদৌরিবনি হায়। মসিবু চৎনবা য়াবা খরদি ৱাৎপগুম তৌই। হায়রিবা পাট্টা অসিনা বেনিফিসরিগী মীংদা চঙবা তারবদি নুপী অসি হাওসিং ফোর ওলগী বেনিফিসরি ওইবা য়াবগী হক্তি লৈ। অদুবু পাট্টা অদু মশাগী মীংদা ওনশিনবা ঙমদ্রবদি খন্ননীংঙাই ওই হায়না ইরম্বা কয়াসু য়াওরি।

অমনা মীতৈ ঐখোয়গী ময়ূম পাল্লক্লবা মতুংদা (ওংবী) হায়বা ৱাহৈ অসিনা কয়ামক খুদোংথিবগে হায়বদু হন্দক্কী হাওসিং ফোর ওলদা খঙই। লৈশারিঙৈদনা মপামগী যূমনাক ইরে। যূম পাল্লবকান্দনা মপুরোইবগী যূম্নাক অমুক ইরে, মদুগীসু মথক্তা ওংবী হায়দুনা ব্রেকেদ মনুংদা অমুক ইরে। পুথোরল্লিবা দোক্যুমেন্টশিং অদুদা চপ মান্নবা মীওই অমখক্তনা দোক্যুমেন্ট অনী পায়বগী থৌওংসিদা কম্প্যুটরদা এন্ত্রি তৌবদা অকায়বা কয়ামরুম থোকই। লুরিবদি সোসিও ইকনমিক সেন্সস দেটাগী রিপোর্ট মতুং ইন্না এন্ত্রি তৌবা ওইবনা এম আই এসকী রিজল্টতা অশোয়বা ময়াম অমা য়াওরি। মসিগুম্বা কয়া অসি অচুম্বা মওংদা এটেচ তৌনবা হোৎনবদসু অরুবা অমনি। অদুনা হাওসিং ফোর ওল ২০১২ তরাই তরাইবা স্কিম অমদি নত্তে। মদুমক ওইদুনসু অশোয়বা কয়ামরুম ঐগী খঙ হৈরবা টাউন প্লান্নিংগী এসোসিয়েট টাউন প্লান্নর নরমদা যূম্নাম লোয়ননা এঞ্জিনিয়ার মানস মৈস্নামগী মতেং মতম পূম্বদা পীনবা হোৎনরি। মসিমক্তনা শোয়রকপা য়ু এল বি কয়াগী থৌওংদা ঙাক্লৌ ওইদুনা টাউন প্লান্নিং দিপার্টমেন্টনা লেপ্পিরি। অদুনা ঙসিগী কুম্বীগী ফিল্ড ভেরিফিকেসন্দা অচৌবা থৌদাং লৌরিবী নরমদা যূম্নাম্না খরা খরা পীকপা টাউন মখৈগী অহোবা লৈহন্দনবা হোৎনবসিসু অরাইবদি নত্তে। কুম্বী টাউনগী মপূং ফাবা ষ্টাফ মরাং কায়দ্রবসু মশাগী ওইনা লৈজরবা ইগজিক্যুটিভ ওফিসর রোমেস লাইশ্রম অমদি ভাইস চ্যেরপার্সন বোবিচান্দ লুৱাং অমদি নন্দকিশ্বর ৱাহেংচা ৱার্দ নম্বর ৬ কী কাউন্সিলর মখোয় অহুমক্লা মতমগী অকক্লবা থমদনা তৌগদবা থৌদাংনি খল্লগা হোৎনরকপনা ঙসি ফিল্ড ভেরিফিকেসনগী থাক অসি য়ৌরকপনি। অচৌবা টাউন কয়াগী অয়াম্বা ষ্টাফশিং পুদুনা হোৎনরবসু অপীকপা কুম্বী টাউন্না করিসু তাদে হায়বদুমদি মখোয় অহুমগী থৌনানা উৎলে। কুম্বীগুম্বা পীক্লবসু ৱাৎহৌরিবা টাউন খুদিংমক্কী মায়কৈ অসোমদা অকনবা মিৎয়েং চঙশিলহন্নীংই। অসুম্না তৌরবতদা ইরমদমগী হাওসিং ফোর ওল মায় পাকপা ঙমগদৌরিবনি। অপূনবগী পাঙ্গলনা পূম্নমক মতেং ওইনরগা চৎলিবা খোঙথাংসি খঙনরিবা ষ্টেট পূম্নমক্তগীদি খ্বাইদগী মাঙজিল থাবা হায়বদুদি ওইরি। মণিপুরগী হাওসিং ফোর ওল টিম য়াম্না মপাঙ্গল কল্লি।

চৎলিবা খোঙচৎসিনা কুম্বী ৱার্দ নম্বর ৯ দা পন্থুং ওইরবসু মপূং ওইবা কুম্বী টাউন অনানবা টাউন অমা ওইরে হায়বদি ঐসু য়ারে। স্বাচ ভারত মিসনগী মখাদা টাউন খুদিংমক্কী মরুওইবা থৌমীশিং সিক্কিমগী লু-নানবা য়েংনবগী এক্সপোজর ভিজিটকী প্রোগ্রাম, কুম্বীদা ওইনা চৎতুনা অমুক্কা হেন্না নালহন্নবগী খোঙথাং পায়খৎপদা করি কায়গনি মসি মরী লৈনবা পূম্নমক্কা মিৎয়েং চঙহন্নীংই । ওইবা য়াগদবা লৈরবদি অচঙবা খরচ পূম্নমক্তুনা কুম্বী টাউন্দা থাদরগা ফজবা অনানবা টাউন মোদেল অমা ওইবা য়ারোইদ্রা। লু-নানবা হায়বসিদি পূম্নমক্কা লোয়না খঙনরবা ৱাফমনি। অমোৎপশিং অদু মফম চানা লোইশিনবা অমদি অনানবা মফমশিংদা অমোৎ-অকায় লংথোক্তনবা হোৎনবা পান্থৈ অনীসিদগী অদুম হৌবা য়াই। খঙনা খঙনা হেক্তা ঙমহৌদবা অদুবু কুম্বী টাউনগী মীচম মীয়াম্নদি করিগী ঙল্লিবা। ৱাহং নত্তে পাউখোংনি কুম্বী টাউন্না টাউন খুদিংমক্তা চল্লিবা। লম্বী সোরোক লৈরক পূম্নমকসু ব্লেক টোপ্পিং তৌদুনা মতম অমদদি কোয়লাসকী লম্বী ওইদুনা নুংঙাইরল্লবসু অমুক্কা হেন্না ফগৎনবনি হায়বগী নামাদা লৈরক অয়াম্বা কোয়লাস মথক্তা দল্লিয়ু বি এম লৌশিন্দুনা মথোং হুক্তবা থৌওং খরসি নত্তনদি অদুক হাক্লা অশোয়বা লৈহৌদবা টাউন অমদি ওইরি।

যূমলৈ কৈরৈ অদুক হাক্লা নাতে চাবা পংয়াও য়াওদ্রি। শুরগা চাবা মীপান তাংদনা হিংবা মীওইনা অয়াম্বা ওইবদগী হাওসিং ফোর ওল সিমদি কুম্বীগা য়াম্না চান্নরি। থক্লবা ঈশিংগী ওইনসু কুম্বী চৈরাওচিংদা অদর টাউন দিভিজন্না কুমজা ২০১১/১২ অদুৱাইদা শাবা হৌরল্লগা ঙসি ফাওবা মীয়ামদা খূৎশিন্নবগী তাঞ্জাদুমদি ফংবা ঙমদ্রি। অরিবা কুম্বী হৱাইপোকপী রুরেল ৱাটর সপ্লাই স্কিমনা পাংনা শানবা পীবা খরা নত্তনা থক্লবা ঈশিং কুম্বী মীচম মীয়ামগীসু মরাং কাইদ্রি। করি ৱাৎতুনা শাবা লোইরে হায়রিবা স্কিম অসি মীয়ামদা খূৎশিন্নদ্রিবা মসিমদি মরী লৈনবশিংগী মিৎয়েং চীংশিন্নীংই। অদুবু মবুক তপ্লবা খুগা তুরেলনা কুম্বী মীচম মীয়ামশিংগীদমক্তদি ঐ লৈরি হায়না মনীং তম্না চেলহৌবদুনা থক্লবমক নৎত্রবসু ঈশিংগী অৱাৎপদি থোইনা উদ্রি। হৌবী চীংদগী হৌরল্লগা খুগা তুরেল হায়দুনা ঈচেল নাইজরবসু ইথাই বেরেজনা খুগাগী মমিং ইথাই বেরেজদা মুথৎপীখিবদুমদি করিগী মীনুংশি পোক্লোই। ইম্ফাল তুরেলগা, খুগা তুরেলগা, ইথাই বেরেজগা মরুপ হেক ওইখিবা মীকুপ্তুদগী খুগা তুরেলগী পুন্সি লোইখিবদু করি হায়না পাউদমসিগে। য়েংউ য়েংউবদা কুম্বীগী অকোয়বনা লীরল্লিবা অরিবা ৱারী, তম্লল্লিবা নুংশিরবা অরিবা মপাউ থম্মোয় পেন্না তাদুনা, উদুনা লাক্লবসু মতমদুগী মমোম লাংলেন থোইবীনা কবোদা লোই থাখিবগী হল্লকপদা কল্লক চাওবা নোংবান্না কুম্বী তেরাখাদা ওক্লম্ববু মচিন পৈনা য়েংখিবা থোইবীগী মীৎয়েং ঙসিসু মুৎঙমদনা লৈহৌরি। কুম্বীগী হাওসিং ফোর ওল লৈত্ত-লায়র ময়ূম মকৈ লৈজদ্রবা মীওইশিংগী মতেং ওইনবা চৎপদা থেংনরকখিবা কুম্বীগী অকোয়বগী ফীভম্না কাউবা য়াদবা দাগফম অমদি পীবিরে। মহৌশাগী খল কায়দনা থম্নবা অমদি অকোয়বগী লৈফম, মীয়াম তিনবা মফমবু তরু তনান্না থম্নবা হোৎনহৌরিবা কুম্বী টাউনবু ফিল্ড ভেরিফিকেসন লোইদুনা থাদোক্লম্বদো নুংথিলগী পুং ৩ খরা হেল্লে।

অরোইবদা, লেপ্তুনা চৎলিবা হাওসিং ফোর ওলগী খোঙচৎ ময়াম অসি ষ্টেট মিসন দিরেক্টর মণিপুরগী লমজিং মখাদা চৎতুনা পন্থুং তাল্লিবা ওইবনা টাউন খুদিংমক্লা অপূনবা অমদি অঙম্বা মতেং পীমিন্নবা তঙাইফদে। অদুবু তৌগদবা মাগী মাগী মথৌনা য়াম্নখিবনা অহেনবা মতম কাইথোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা ওইনরবসু ঙসি ফাওবগী লম্বীসিদা কনামতনদি হাওসিং ফোর ওলগী খোঙচৎতা মায় লৈদুনা চেন্নদ্রি। মথংগী খোঙচৎ অন্দ্রোগী ফজরবা মফম কয়াদা অনৌবা মিৎয়েং থমদুনা হাওসিং ফোর ওলগী ফীভম য়েংলুবা তারি।